HUEIYEN LANPAO
Wednesday, January 04, 2023, Imphal


# লালনা কান্নবা অমত্তা পুরক্তে হায়বা খঙবগীদমক তুমিন্না লৈবনি, মথৌ তারবদি লাল শোয়দনা তৌগনি : রাজনাথ

ইটানগর জানুৱারী ০৩ (এজেন্সি):

ইন্দিয়ানা ঙসি ফাওবদা য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংগী মথক্তা লাল তৌখিবা লৈত্রি। লাল তৌবসু পামদে। মরমদি লাল তৌবনা নাকল অনীমক্তা কান্নবা অমত্তা পীবা ঙমদে হায়বা খঙবনা ইন্দিয়ানা মতম পুম্বদা লালগী মহুত্তা অতোপ্পা পান্থে শিজিন্নদুনা পাউখুম পীরগা লাকপনি। অদুবু মথৌ তারবদি ইন্দিয়ানা লাল তৌবদা থোইনা ৱাখল খন্থবা তৌরোই হায়না দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।



অরুনাচল প্রদেশকী সিয়াং দিষ্ট্রিক্টতা শাবা থোং অমা শঙ্গাবগী থৌরমগা মরী লৈননা দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা হায়, ইন্দিয়ানা লাল হায়বসি খ্বাইদগী অরোইবা পান্থেনি হায়না খল্লি। য়ুমথংনরিবা লৈবাক অমত্তা ইন্দিয়ানা কিবা লৈতে। মখোয়দগী লৈবাক অসিনা মপাঙ্গল কনবা হেল্লি হায়বসি মালেমগী লৈবাকশিংনা খঙনরবা ৱাফম্নি। লাল তৌবা পামদবনা মরম ওইরগা অমদি য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংগা অফবা মরী থম্বা পাম্বদগী তুমিন্না য়েংদুনা লাকপনি। ইন্দিয়ানা ঙসি ফাওবদা লাল তৌবদা পুক্নিং থৌগৎপা লৈতে হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মালেমদা লৈরিবা লৈবাকশিংগী মরক্তা পামদবা থৌদোকশিং থোকপগী পাউ ঐখোয়না তারি। মসিগী মায়োক্তা মতম পুম্বদা ইন্দিয়ানা লৈগনি। রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী মরক্তা লাল তৌনখিবা অদুসু লৈবাক অসিনা ৱারী শান্নদুনা ৱারোইশিন পুরক্নবা হোৎনদুনা লাকখিবনি। চাইনা অমসুং লৈবাক অসিগা তাইনবা ঙমখৈগী শরুকশিংদা চাইনিজ মিলিটরিনা কা হেনবা থবক থৌওং কয়া চখরক্লিবা অসিগী মতাংদা লৈবাক অসিগী লান্মীশিংনা চপ চাবা পাউখুম পীদুনা লাক্লি। মমাং চহীগী দিসেম্বর ৯ দা চাইনিজ মিলিটরিনা অরুনাচল প্রদেশকী তৱাং সেক্টরদা লৈবা লাইন ওফ একচ্যুল কন্ট্রোল পরিংদা অরানবা মওংদা চঙশিন্নবা হোৎনরম্বদগী লৈবাক অনীগী মিলিটরিগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোক থোকখি। মদুদা নাকল অনীগী লান্মীশিং মাইনর ওইনা অশোক অপন নংখি হায়রি।



খ্বাইরম্বন্দ নুপী কৈথেল নং-টু ইমোইনু ইমা কৈথেলদা কৈথেল অসিগী পোৎফম ফন্বী ইমাশিংনা ইমোইনু ইমাগী ইরাৎ থৌনি থৌরম পাঙথোকখিবা

# মার্চ ২০২৩ গী মমাংদা ইলেক্ট্রিককী বিল হেনগৎপা তৌরোই : রিগুলেটরি কম্মিসন



গুৱাহাটি, জানুৱারী ০৩ (এজেন্সি):

অসামগী ওইনা চহী অসিগী মার্চ থা মমাংদা ইলেক্ট্রিককী বিল হেনগৎপা তৌরোই। বিল হেনগৎত্রিঙৈগী মমাংদা রিগুলেটরি কম্মিসননা মীয়ামগী ওইবা অপাম্বশিংসু হংখিগনি হায়না থাজবা য়াবা রিপোর্টশিংনা হায়রি।

রিপোর্টশিং অসিগী মতুংইন্না, ইলেক্ট্রিককী বিল হেনগৎপগী মতাংদা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসনশিং, পার্টিশিং অমদি মীয়াম্না ওনলাইনগী খুত্থাংদা মখোয়গী ওইবা কমপ্লেন অমদি অপাম্বশিং ফোঙদোকপা য়াগনি। থা অসিগী অরোইবা ফাওবগী মনুংদা ইলেক্ট্রিসিটি রিগুলেটরি কম্মিসনগী পোর্টেলদা ওনলাইনগী খুত্থাংদা কমপ্লেন অমদি মখোয়গী অপাম্বশিং অদু ফোঙদোরক্কদবনি হায়রি।

অসাম পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পনি লিমিটেদ (এ পি দি সী এল) না ষ্টেট অসিদা মৈগী রেট অসি য়ুনিটতা লুপা অমগী চাংদা হেনগৎনবা ফোঙদোকপা লৈখ্রে। ষ্টেট অসিগী মীয়ামদা ইলেক্ট্রিককী খুদোংচাবা মপুঙ ফানা ফংহন্নবগীদমক মৈগী বিল হেনগৎনবা ফিরেপ লৌখিবনি হায়না অসাম পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পনি লিমিটেদকী মায়কৈদগী ঙল্লিঙৈদা ফোঙদোকপসু লৈখ্রে।

মমাং চহীগী নভেম্বর থাদা অসাম পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পনি লিমিটেদনা মৈগী বিল অসি য়ুনিটতা পৈশা ৩০ হেনগৎনবা ফিরেপ লৌখিবগা লোয়ননা দিসেম্বর থাদগী চৎনবা হৌখিবনি। মদুগী মতুং মখা তানা পৈশা ৭৯ হেনগৎনবা অমুক ফোঙদোরকখিবনি। ষ্টেট অসিদা মৈ শিজিন্নবগী চাং হেনগৎলকপনা মরম ওইরগা কঞ্জুমরশিংদা মৈ মপুঙ ফানা পীবা ঙম্লক্তবনা মরম ওইরগা অহেনবা মৈ লৈনবা হোৎনবদা অচৌবা শেলফম মথৌ তারকপদগী মৈগী বিল হেনগৎনবা ৱাফম হৌদোরকখিবনি হায়রি।

# লুপা লাক্ষ ক্রোর অমা হেন্না সিক্কিমগী চাওখৎ থৌরাংগীদমক সেন্টরনা পীখি : মোর্চা প্রসিদেন্ট

গেংতোক, জানুৱারী ০৩ (এজেন্সি):

লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সেন্টরদা লৈরিবা বি জে পিগী লৈঙাক্না অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা চাওখৎ থৌরাংগী ওইবা থবক কয়া লেপ্পা লৈতনা পায়খৎলক্লি অমদি সিক্কিমখক্তা তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী ওইবা থবকশিং পায়খৎনবগীদমক লুপা লাক্ষ ক্রোর অমা হেন্না পীথখি হায়না ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) মহিলা মোর্চাগী নেসনল ভাইস প্রসিদেন্ট ভনাথি স্রিনিভাসননা ফোঙদোরক্লি।

সিক্কিমদা পাঙথোকপা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমদা ৱা ঙাঙলদুনা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা অৱাং নোংপোক ষ্টেট অয়াম্বা চাওখৎপগী লম্বীদা মাঙজিল থানা চঙশিনবা ঙম্লক্লি। সিক্কিমদা লম্বী থোংগী ফিভম কা হেন্না ফরমখিদে। মদুনা মরম ওইরগা চখোক চৎশিন তৌবা অমদি চাওখৎ থৌরাংগী ওইবা থবক কয়া পায়খৎনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরমখি। ষ্টেট অসিদা বি জে পিগী ওইবা লৈঙাক লৈত্রবসু প্রাইম মিনিষ্টরনা চপ মান্নবা মীৎয়েংদা শেনফম কয়া মতেং ওইনা পীরি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসি চহী ৮ মপুঙ ফারে অমদি হায়রিবা মতম অসিদা সিক্কিমখক্তদা লুপা লাক্ষ ক্রোর অমা ফাইনান্সিয়ল এসিষ্টেন্স ওইনা পীবা হায়বসি হান্না লৈরম্বা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টশিংগী মতমদা থোকখিদ্রি হায়রি।

# ইলেক্সন মেনিফেষ্টোগীদমক মীয়াম্না সজেসন পীরক্নবা খঙহনখ্রে

অগরটালা, জানুৱারী ০৩ (এজেন্সি):

চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ত্রিপুরা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনগা মরী লৈননা বি জে পিনা মখোয়গী মেনিফেষ্টো ফোংনবগীদমক অমদি মেনিফেষ্টোদা ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী অপাম্বশিং হাপ্নবগীদমক মীয়াম্না মখোয়গী ওইবা অপাম্বশিং খঙহল্লক্নবা আপলি তৌখ্রে হায়রি।

ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না মীয়ামদগী সজেসন লৌনবগীদমক বি জে পিনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা গাড়ি ৩০ থাদোক্তুনা মথৌ তৌহনখ্রে। গাড়িশিং অসি ওদিও ভিদিও রেকোর্দিং তৌনবা ইকুইপমেন্টশিং য়াওরি। মীয়ামদগী সজেসন লৌবগী থবক অসি থা অসিগী ৫ দগী হৌগনি। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা হায়রিবা থবক অসি হৌদোক্কনি অমদি তোঙান তোঙানবা কেম্পেইন মখল ১৫ সু অমিত শাহনা হৌদোক্কনি হায়রি।

# পি এম অমসুং হোম মিনিষ্টর নাগালেন্দদা ভিজিট তৌগনি

কোহিমা, জানুৱারী ০৩ (এজেন্সি):

মতম শাংনা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদনা লাক্লবা নাগা পোলিটিকেল ইসু অমদি তোঙানবা ষ্টেট দিমান্দ তৌরিবা অসিগী মতাংদা য়েংশিন্নবগীদমক লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ নাগালেন্দদা লাক্লবা য়ানা লৈ হায়না নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টর নৈফিয়ু রিয়োনা ফোঙদোরক্লি। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ থা অসিগী ১৩ না নাগালেন্দদা ভিজিট তৌরবগা লোয়ননা ইষ্টর্ন নাগালেন্দ পিপলস ওর্গনাজেসননা তোঙানবা ষ্টেট অমা দিমান্দ তৌরিবা অদুগী মতাংদা ওর্গনাইজেসন অসিগী লুচিংবশিংগা উন্নদুনা ৱারী শানগনি। অমরোমদা, লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিসু থা অসিগী ময়ায় চল্লকপা শরুক্তা ষ্টেট অসিদা ভিজিট তৌরবা য়ানা লৈ হায়রি। অমরোমদা, প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর ষ্টেট অসিদা লাক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা সিক্যুরিটিগী ওইবা চেকশিন থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপা হৌখ্রে হায়রি।

# সী পি আই-এম অমসুং কোংগ্রেসনা ত্রিপুরাগী মীয়ামদা চহী ২৫ মীনমদুনা লাকখিবনি : বিপ্লব

অগরটালা, জানুৱারী ০৩ (এজেন্সি):

চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্নবা শেম শারিবা ত্রিপুরা এসেমব্লি ইলেক্সনগী মাঙওইনা ইলেক্সন কেম্পেনগী থবক হান্নদগী হেন্না কনখৎনরকখিবগা লোয়ননা পার্টি অমনা অমবু হুন্দুনা ঙাঙবগী চাংসু হেনগৎলক্লি।

ত্রিপুরাগী উনাকোতি দিষ্ট্রিক্টতা পাঙথোকপা মীয়ামগী ওইবা রেল্লি অমদা ৱা ঙাঙলদুনা ত্রিপুরাগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরম্লবা রাজ্য সভাগী এম পি বিপ্লব দেব কুমারনা ফোঙদোকখিবদা, সী পি আই-এম অমসুং কোংগ্রেসনা শাংলবা চহী ২৫ লৈবাক অসিগী মীয়ামদা নমথাক তৌদুনা লাকখিবনি হায়রি।

এম পি বিপ্লব দেব কুমারনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, কোংগ্রেস অমসুং সী পি আই-এমনা ষ্টেট অসিদা মতম শাংনা পৱার পায়দুনা লাকখিবা মতম অদুদা পৱারগী খল্লগা থবক তৌরম্বনা মরম ওইরগা মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংগী ওইবা থবক অমত্তা পায়খৎলমখিদে। ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না ফংফম



থোকপা খুদোংচাবশিং মপুঙ ফানা ফংহল্লমখিদে। মসিনা মরম ওইরগা থবক ফংদবগী প্রোব্লেম কয়া ষ্টেট অসিদা থোক্তুনা লাক্লি অমদি থবক লৌবা মতমদা শেঙ্গা থুমজা কা হেন্না তৌবনা মরম ওইরগা মতিক চাবা অফবা নহা কয়া গভর্নমেন্টকী থবক ফংবা ঙম্লক্তবদগী অরানবা লম্বীদা চৎনবা অচৌবা মরম অমসু ওইহল্লমখি। অদুবু বি জে পিগী ওইবা লৈঙাক অসি লাক্লবা মতুংদদি করপসনগী চৎনবী অমা চাওনা লৈরম্বা অদু মাঙহনবা ঙম্লে। মসিগী মথক্তা নুপী অঙাংদা চখবা ক্রাইমগী চাং হান্নগা য়েংনরুবদা য়াম্না হন্থখ্রে। অদুবু ইলেক্সনগী মতম নকশিল্লক্লবা মতম অসিদা কোংগ্রেস অদি সী পি আই-এমনা বি জে পিদা তোঙান তোঙানবা মরাল কয়া শিনবা হোৎনরক্লি। ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না বি জে পিদা থল্লিবা থাজবা অসিনা মরম ওইরগা পার্টি অসিগী মপাঙ্গল হান্নদগী হেন্না কনখৎলক্লে হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি হায়রি।

## CROSSWORD-3750



**ACROSS**

1 Credible (10)
7 Chic (7)
8 Arrange in order (4)
10 Cook in an oven (4)
11 First showing of a film (8)
13 Uncover (6)
15 Northern Ireland (6)
17 Roomy (8)
18 Warmth (4)
21 Orient (4)
22 Bishop's district (7)
23 Unnecessarily (10)

**DOWN**

1 Fracture (5)
2 Flesh without fat (4)
3 Whole (6)
4 Put together (8)
5 Of greatest size (7)
6 Robin (9)
9 Rued (9)
12 Helped (8)
14 Mollify (7)
16 Obstacle (6)
19 Sorrowful poem (5)
20 Throw carelessly (4)

Solution 3749



SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-5048

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | | 9 | | | 3 | | | 6 |
| 7 | | | 2 | | | 3 | | |
| | | 4 | | | | 9 | 5 | |
| | 9 | | | 1 | | | | |
| | | | 8 | 5 | 2 | | | |
| | | | | 4 | | | 3 | |
| | 7 | 1 | | | | 2 | | |
| | | 8 | | | 1 | | | 9 |
| 4 | | | 7 | | | 5 | | 8 |

Solution-5047

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 8 | 6 | 2 | 5 | 9 | 4 | 7 | 1 |
| 9 | 1 | 4 | 7 | 6 | 8 | 5 | 2 | 3 |
| 5 | 2 | 7 | 4 | 3 | 1 | 9 | 8 | 6 |
| 2 | 7 | 9 | 1 | 8 | 5 | 3 | 6 | 4 |
| 8 | 3 | 5 | 9 | 4 | 6 | 2 | 1 | 7 |
| 6 | 4 | 1 | 3 | 7 | 2 | 8 | 5 | 9 |
| 4 | 5 | 3 | 6 | 2 | 7 | 1 | 9 | 8 |
| 7 | 9 | 8 | 5 | 1 | 3 | 6 | 4 | 2 |
| 1 | 6 | 2 | 8 | 9 | 4 | 7 | 3 | 5 |

## EMPLOYMENT NEWS

### SLPRB ASSAM INVITES APPLICATION FOR 32 ASSISTANT JAILOR RECRUITMENT 2023

Police Recruitment Board Assam (SLPRB Assam). Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 05 February 2023. Candidates can check the latest State Level Police Recruitment Board Assam (SLPRB Assam) Recruitment 2023 Assistant Jailor Vacancy 2023 details and apply online at the assampolice.gov.in/ recruitment 2023 page.
State Level Police Recruitment Board Assam (SLPRB Assam) Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ assampolice.gov.in/. State Level Police Recruitment Board Assam (SLPRB Assam) selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of assampolice.gov.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
Vacancy Circular No:
State Level Police Recruitment Board Assam (SLPRB Assam) invites applications for recruitment of Assistant Jailor
Assistant Jailor
Job Location:
Guwahati, Kamrup, - Assam
Last Date: 05 February 2023
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 32 Posts
Job Role Assistant Jailor
Education Requirement B.A
Total Vacancy 32 Posts
Job Locations Guwahati
Experience Fresher
Salary 14000 - 60500(Per Month)
Educational Qualification: The candidate must be a graduate in Arts / Science/ Commerce or equivalent stream from a recognized College / Institution affiliated with a recognized University.
Experience: Please refer to official document
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR 14000 - 60500(Per Month)
Age Limit: 21 to 40 years as on 01-07-2022 (i.e. candidate must be born on or before 01.07.2001 and on or after 01.07.1982).
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/ medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Assistant Jailor in SLPRB Assam.
How to Apply:
Candidates must apply for SLPRB Assam Recruitment 2023 before the last date announced. Candidates, who apply for the SLPRB Assam Recruitment 2023, can follow the procedure given to apply.
Step 1: Visit the official website of SLPRB Assam slprbassam.in
Step 2: Search the notification for SLPRB Assam Recruitment 2023
Step 3: Clearly read all the details given on the notification
Step 4: Check the mode of application as per the official notification and proceed further
Important Dates:
Published on: 02 January 2023
Last date for application is: 05 February 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### APSC INVITES APPLICATION FOR EXPLORATION OFFICER RECRUITMENT 2023

Assam Public Service Commission Exploration Officer Recruitment 2023: Advertisement for the post of Exploration Officer in Assam Public Service Commission. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 08 February 2023. Candidates can check the latest Assam Public Service Commission Recruitment 2023 Exploration Officer Vacancy 2023 details and apply online at the apsc.nic.in/ recruitment 2023 page.
Assam Public Service Commission Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ apsc.nic.in/. Assam Public Service Commission selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Kamrup. More details of apsc.nic.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Assam Public Service Commission (APSC)
invites applications for recruitment of Exploration Officer
Exploration Officer
Company Assam Public Service Commission
Job Role Exploration Officer
Education Requirement M.A
Total Vacancy 1 Post
Job Locations Guwahati
Experience Fresher
Salary 22000 - 97000(Per Month)
Posted on 30 Dec, 2022
Last Date To Apply 08-02-2023
Educational Qualification: The candidate must possess a Post Graduate Degree in Ancient Indian History or Archaeology or Sanskrit or Anthropology with Pre-History as one of the subjects. Desirable Qualification: Post Graduate Diploma in Archaeology from any Govt. recognized Institute.
Experience: Please refer to official document
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR 22000 - 97000(Per Month)
Age Limit: 21-38 Years.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on a written test/personal interview/ medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Exploration Officer in APSC.
How to Apply:
The application process for APSC Recruitment 2023 is explained below,
Step 1: Visit the APSC official website apsc.nic.in
Step 2: On the website, look for a for APSC Recruitment 2023 notifications
Step 3: Before proceeding, read the notification completely
Step 4: Check the mode of application and then proceed further
Important Dates:
Published on: 01 January 2023
Last date for application is: 08 February 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification










